# দিফেন্স কোরিদোরগী ৱারেপ নৌনা খন্ননবা টেলঙ্গনা গভর্নমেন্টনা সেন্টরদা তকশিনখ্রে



হায়দ্রাবাদ, জুন ২২ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশতা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিএল প্রদক্সন কোরিদোর অমা লিংখৎনবা সেন্টরনা লৌখিবা ৱারেপ নৌনা খন্ননবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টেলঙ্গনা গভর্নমেন্টনা সেন্টরদা তকশিনখ্রে।

হায়দ্রবাদ-বেঙ্গলুরুনা প্রোজেক্ট অদুগী খ্বাইদগী ফবা মফমনি হায়রদুনা সেন্টরগী ৱারেপ অদু নৌনা খন্ননবা টেলঙ্গনানা তকশিনখিবনি।

ইন্দষ্ট্রিস মিনিষ্টর কেটি রমরাওনা ফোঙদোকখিবদা সেন্টরনা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাফমশিংদা মীৎয়েং থম্বা লেপ্তুনা টেলঙ্গনাগুম্বা চাওখৎপগী থবক থৌরমশিংদা থৱায় য়াওবা ষ্টেটশিংবু পুক্লিং থৌগৎকদবনি।

মহাক্না ৱাফম অসি সঙ্গরেদ্দি দিষ্ট্রিক্টকী জাহিরবাদতা লৈরিবা নেসনেল ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ মেন্যুফেকচরিং জোন (এন আই এম জেদ) তা ভিইএম টেক্নোলোজিগী ইন্টিগ্রেটেদ দিফেন্স সিষ্টেম লিংনবগী উরেপ উয়ুং তন্নবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, প্রোজেক্ট অদুপায়খৎপা য়াবা মথৌ তাবা ইকো সিষ্টেম লৈরবা হায়দ্রবাদ অমসুং বেঙ্গলুরুগী মরক্তা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিএল প্রদক্সন কোরিদোর অমা এপ্রুভ তৌননবা মহাক্না মমাঙগী দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারামনদা হায়জখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মদুদি হায়দ্রবাদতা দিফেন্স পব্লিক সেক্তর অন্দর টেক্কিং কয়া অমসুং স্মোল এন্দ মেদিয়ম কম্পেনি লিশিং অমা হেন্না লৈ অদুগা বেঙ্গলুরুদনা ঐচএএফ অমসুং এয়র ফোর্সকা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুসনশিং লৈ। অদুনা মফম অসিদা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিএল প্রদক্সন কোরিদোর অমা লিংবা তারবদি মদুনা টেলঙ্গনাগী মহাবুবনগর, রঙ্গরেদ্দি অমসুং ৱানাপর্থিগুম্বা দিষ্ট্রিক্টশিং অমদি অন্ধ্র প্রদেশকী কুরনুল অমসুং অনন্তপুরগুম্বা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কান্নবা ফঙহনগনি।

করিগুম্বা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিদা ইনোৎহাপকে খল্লবদি অমদি অত্মা নিরভার ভারতকুম্বা স্লোগান অমবু থবক্তা ওন্থোক্কে খল্লবদি সেন্টরনা ৱারেপ অসি অমুক হন্না খন্নবা মথৌ তাই।

সেন্টরনা কোরিদোর অদু ইকো সিষ্টেম লৈবা মফম অমদা লিংগদবনি। মদুগী মহুত্তা সেন্টরনা কোরিদোর অদু ভোটকী অমদি সিটকী খল্লগা উত্তর প্রদেশতা লিংবা তারবদি মথৌ তৌবা ঙল্লোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কেটিআরনা মখা তারদুনা হায়খি, মদুদি হায়দ্রবাদতসু অসিগুম্বশিং অসি অহিং অমদা লৈহনখিবা অমত্তা লৈতে। পিএসয়ুশিং মতম শাংনা লৈরক্তুনা সেন্টর অসি চাওখৎহন্নবগী ইনভাইরনমেন্ট মফম অসিদা মতম শাংনা লৈরক্লে।

মরু ওইবা গ্লোবেল কম্পে-নিশিংনা ইনভেষ্ট তৌবা পান্নকপা মতমদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা লৈবা মফমশিংদা মীৎয়েং থল্লকই। মখোয়না মরু ওইনা মখোয়গী ইনভেষ্টমেন্ট অদুদগী কয়াম থুনা রিটর্ন লাক্কদগে হায়বসি খল্লি। মখোয়না ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ইকো সিষ্টেমগী ফিভম য়েংলগা ইনভেষ্ট তৌবনা হেন্না পাম্মী হায়খি।

# সুরট পুলিসনা সিব সেনাগী এমএলএশিং টোর্চর তৌখি: এএপি



সুরট, জুন ২১ (এজেন্সী): সিব সেনাগী রেবেল এম এল এশিং য়ুমশকৈশগী অয়ুক অঙনবদা সুরটতগী গুৱাহাটিদা পায়শিনখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গা মরী লৈনবা ৱাথোক্তি মখা তানা লৈহৌরি হায়রি।

আম আদমি পার্টিনা হায়রি, মদুদি মখোয়না সুরটতা লৈরিঙৈদা সিটি অসিগী পুলিসনা হোটেলদা লৈরিবা এমএলএশিং টোর্চর তৌখি।

এমএলএ নিতিন দেসমুখনা হায়খি, মদুদি সুরট পুলিসনা মহাকপু ফারগা পুখি অমসুং ফুখি। হিরম অসিগা মরী লৈননা করি লৈবগে হায়না হংনবা সুরট পুলিসকী কম্মিস্নার অজয় কুমার কন্টেক্ট তৌনবা হোৎনবদা ফঙখিদে। মঙোন্দা থাখিবা টেক্স মেসেজশিংগী পাউখুমসু ওফিসার অসিনা হল্লক্ত্রি।

এএপি ষ্টেট য়ুনিট প্রসিদেন্ট গোপাল ইটালিয়ানা হায়খি, মদুদি নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মহারাষ্ট্রদগী পুরকখিবা সিব সেনাগী এমএলএ খরা বিজেপিগী লুচিংবশিংগী ইন্সট্রক্সনদা সুরট পুলিসনা কিহনখি অমসুং টোর্চর তৌখি।

ইটালিয়ানা মখা তানা হায়খি, মদুদি লো মেক্কর খরনা মহারাষ্ট্রদা অমুক হনবা পামখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় হনবা য়াহনখিদে অমসুং মখোয়গী হোটেল কাশিং অদুদগী হেন্দোক্তনা লৈহনখি। হৌজিক সিব সেনাগী এমএলএ নিতিন দেসমুখনা সুরট পুলিসনা মহাকপু নম্ফুদা গভর্নমেন্ট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্কী মতুং ইন্না মহাক্না হোস্পিটালদা লৈরিঙৈদসু মীওই ২০ হেনবনা মহাক্কী অপাম্বগী মায়োক্তা মহাকপু মফম অদুদগী হেন্দোকহন্দনবা হোৎনখি।

মহাক তশেংনা ফাখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না হায়খি, মদুদি মহাক্কী হকচাংদা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈত্রবসু মহাকপু থবাক নারকপগী লায়েং চথখি। মমৈথংদা দেসমুখ মফম অদুদগী নান্থোক্লগা নাগপুর য়ৌখি হায়রি।

# 'রেপকী মরাল শীরবা এক্টর বাবুবু এন্টিসিপেটরি বেল পীবা নিংবা কায়নিংঙাইনি'

কোচি, জুন ২২ (এজেন্সী): রেপকী মরাল শীরিবা এক্টর-প্রদ্যুসর বিজয় বাবুদা কেরলা হায় কোর্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা এন্টিসিপেটরি বেল পীখিবগী মতাংদা য়ানিংদবা উৎলদুনা ভিক্তিম অদুগী ইমুংনা খোঙথাং অদু নিংবা কায়নিংঙাইনি হায়খ্রে।

ভিক্তিম এক্ট্রেস অদুগী অপোকপনা ফেঙদোকখিবদা কোর্টনা বিজয় বাবুদা বেল পীখিবসি তশেংনা নিংবা কায়নিংঙাইনি। মসিনা সোসাইটিদা অরানবা মেসেজ অমা পীদুনা ইনাক খুনবা অমদি মতিক ময়াই লৈবা মীওইশিংগী তৌনিংবতা তৌরবসু লোগী মীৎয়েংদগী নান্থোক্কনি হায়না মীয়ামদা খলহনগনি।

হায় কোর্টনা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি য়েংলগা ঐখোয়না হৌজিক লিগেল এক্সপর্টশিংগা তান্নরগা ৱারেপ অদুদগী করি করি লাকপা য়াবগে হায়বসি খন্নদুনা তুংদা পায়খৎকদবশিং লেপ্লগনি।

মহাক্কী মচানুপী অদু চহী কয়া ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদা খোঙদারক্লবনি অমসুং লম অসিদা অফবা রেকোর্দ লৈরক্লবনি হায়না পল্লদুনা কোর্টকী ৱারেপ অসি নিংবা কায়নিংঙাইনি হায়না মখা তানা ভিক্তিমগী অপোকপনা ফোঙদোকখি।

এন্টিসিপেটরি বেল পীবগা লোয়ননা কোর্টনা বিজয় বাবুদা জুন ২৭ তা পুলিস প্রোব টিম অদুগা উন্ননবা খঙহনবগা লোয়ননা পুলিসতসু মহাকপু নুমিৎ তরেৎনি হায়বদি জুন ২৭ তগী জুলাই ৩ ফাওবা ইন্ত্রোগেসন তৌনবগী অয়াবসু পীখি। কোর্টনা মঙোন্দা ষ্টেট অসি থাদোক্তুনা চৎতনবসু চেকশিন্না খঙহনখি। এপ্রিল ২২ দা কোজিকোদকী এক্ট্রেস অমনা ইনাকুল্লমদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌদুনা বিজয় বাবুনা মহাকপু কোচিদা লৈবা ফ্লেট অমদা হঞ্জিন হঞ্জিন রেপ তৌখি অমসুং ফুখি হায়না মরাল শীখিবনি।

এক্ট্রেস অসিনা বাবুবু সেক্সুয়েল এব্যুস চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা মঙোন্দা ময়াইকাবা পোৎশকশিং শীজিন্নহনখি হায়নসু মরাল শীখিবনি।

# ওনলাইন গেম্মিং এপশিংগা মরী লৈনবা কেসতা ইদিনা চার্জ সিট ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২২ (এজেন্সী): ওনলাইন পোক্কর গেম্মিং এপ অমগী খুখাংদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা বিদিং তৌখিবগা মরী লৈনবা মনি লোন্দরিং কেস অমদা গৱাগী কোর্ট অমদা চার্জ সিট ফাইল তৌখি হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইদিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোজিকুসন কমপ্লেন্ট অদু কোলকত্তাগী রেসিদেন্টশিং ওইরিবা কেস অদুগী এক্যুজশিং হর্দিপ সিংহ অমসুং অঙ্কুর খন্নাগী মায়োক্তা জুন ৩ দা মপুশাদা লৈবা স্পিসল প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ত (পিএমএলএ) গী কোর্ট অমদা ফাইল তৌখিবনি। মখোয়গী মায়োক্তা অমসুং দিল্লি, মুম্বাই, কোলকত্তা অমসুং গৱাদা লৈবা অতৈ ক্লব খরগী মেনেজর অমদি এজেন্টশিংগী মায়োক্তা রেইদ কয়া চথুরবা মতুংদা এজেন্সি অসিনা মখোয়বু ফাখিবনি। কোর্টনা জুন ১৭ তা চার্জ সিট অদুগী কোগনিজেন্স লৌখি অমসুং এক্যুজশিংদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি হায়না ইদিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

মনি লোন্দরিং কেস অদু গৱা পুলিসনা আইপিসিগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং অমদি ১৯৭৬ কী গৱা, দমান্দ এন্দ দ্যু পব্লিক গেম্বলিং এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং লোয়ননা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এক্টকী সেক্সন ৬৬-দিগী মখাদা ফাইল তৌখিবা এফআইআর অমদা য়ুম্ফম ওইবনি। আইটি এক্টকী সেক্সনদা কম্প্যুটর রিছোর্স শীজিন্নরগা কনাগুম্বা মীশক অমা শাদুনা নমথাক তৌবগীদমক পনিসমেন্ট পীবগী ৱাফম পল্লি। পুলিস এফআইআর অদুদা লোনা য়াদবা গেম্মিং এক্তিভিটিশিং অমদি অরোনবা নেটৱার্কশিংগী খুখাংদা য়াল্লবা শেনফমশিং নারোনদা হাইহৎপদগী গভর্নমেন্টগী শেঙ্গাওদগী শেল চাওনা মাঙহনবগী মরাল কয়াসু শীখি। ইদিগী মতুং ইন্না হর্দিপ সিংহ অমসুং রাহুল খন্নানা পিপি পোক্কর ওনলাইন গেম্মিং এপতা মিনি-ইন্দিয়া কৌবা ক্লবশিংগী ওইবা য়ুনিয়ন অমা ওপরেট তৌখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES
/ NOTIFICATION
Imphal, the 21st June, 2022

No. VFA/TRG/2022-Vety.: Applications from intending candidates are invited for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course at Veterinary Field Assistant Training Centre, Khumbong for the academic session, 2022-23. The prescribed application form shall be available on payment of Rs.100/- (Rupees one hundred) only from the Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur w.e.f. 22/06/2022. The duly filled in prescribed application form along with the required testimonials/certificates and a Demand Draft for a value of Rs. 800/- (Rupees eight hundred) only for General & OBC Candidates and Rs. 500/- (Rupees five hundred) only for SC/ST Candidates from any Nationalized Bank drawn in favour of the Director, Vety. & A.H. Services, Manipur being the Examination Fee should be submitted on or before 08/07/2022 as detailed below:

| PARTICULARS | DATE |
|---|---|
| Issue of Application Form | : 22nd June to 6th July, 2022 (9:30 A.M to 5:00 P.M) **(on working days)** |
| Submission of Application Form | : 4th July to 8th July, 2022 (9:30 AM to 5:00 PM) **(on working days)** |
| Issue of Admit Card | : 14th July & 15th July, 2022 (9:30 AM to 5:00 PM) |

The Entrance Test shall be held on **Sunday, the 17th July, 2022 from 9.30 a.m. to 11.00 a.m.** The venue of the Examination shall be given at the time of issue of admit card. Candidates are requested to read the instructions / information for the Entrance Test carefully given in the departmental website **vetymanipur.nic.in**

**Eligibility:**
- Candidates should pass Class-X Standard / Equivalent Examination in the subjects- Physics, Chemistry & Biology from a recognized Board / Council.
- Candidate should attain 17 years and shall not exceed 25 years of age as on 1st July, 2022. However, the upper age limit is relaxable for 3 (three) years in respect of ST/SC/OBC candidates.

**Sd/- Ng. Ibotombi Singh**
**Director,**
**Vety. & A.H. Services, Manipur.**
HL-P/3123/22, 23

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL
/ ADMISSION NOTICE/268
Dated, 21st June, 2022

NO. MU/22-1/DACE/Adm/Aca: In continuation of the Admission Notification No. 260 dated 02.06.2022. the last date of submission of online applications for admission to **Free Coaching of UPSC Civil Services Examination (Preliminary and Main)** for the Schedule Caste candidates only has been extended upto 30.06.2022

Others will remain unchanged. This is issued with the approval of the competent authority.

**Sd/- Dr. R.K. Joteen Singh**
**Deputy Registrar (Aca)**
HL-B/7703/23

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL
*Advertisement No.1/2022*
Dated, The 22nd June, 2022

**No. MU/Specializations/Fac/01/398** : It is hereby notified that the University is inviting applications for 42 (forty-two) posts of Professor, Associate Professor and Assistant Professor for 8 (eight) Departments.

For online application the start date is 25/06/2022 and last date is 25/07/2022. Last date of submission of downloaded Copy is 01/08/2022. UGC Regulations 2018 will be followed.

Details may be downloaded from the University website www.manipuruniv.ac.in

**Sd/- Registrar**
**Manipur University**
HL-B/7702/23

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL
/ NOTIFICATION
Dated, 22nd June, 2022

No .MU/VI/89/22-Admn. I/394: Applications are invited from the intending female candidates for appointment of **1 (one) post of Creche-in-charge, 1 (one) post of Childcare worker/ teacher** and **1 (one) post of Helper** initially for a period of 6 (six) months on contract basis in the Creche Centre, Manipur University through Walk-InInterview on the 4th July, 2022.

**Minimum Qualifications:**

| | |
|---|---|
| **Creche-in-charge** | : Graduate, trained in childcare preferably through National Skill Development Corporation (NSDC). National Institute of Public Cooperation and Child Development (NIPCCD). |
| **Childcare worker/ teacher** | : 12th pass with training in Nursery Rhymes and childcare. |
| **Helper** | : 10th pass |
| **Preferable Age** | : 30-40 years |
| **Honorarium:** | : (i) Rs.433/- per day for Creche-in-charge and Childcare worker. |
| | : (ii) Rs. 360/- per day for Helper |

Candidates are requested to submit their Biodata along with photo copies of supporting documents to the Registrar, Manipur University between 10.00 a.m. to 11.00.a.m. on the same day.

**Sd/- Dr. R. K. Joteen Singh**
**Deputy Registrar (Admn.)**
HL-B/7704/23,24

***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING AND PHARMACY COLLEGE OF BANGALORE
COURSES OFFERED:
*B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.
*B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.
B. Pharmacy Fees Structure : 1st Sem 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.
College Highlights
*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.
CONTACT US: 8310788408, 9362331862.
REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.
HL-P/2939/11/6 to 9/7 Alt Days

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 27TH & 29TH JUNE
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advancecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm
For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7691/15-29

ADVANCED COACHING INSTITUTE
OUR POSITION HOLDERS IN BOSEM, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN .........




STATE BOARD /COUNCIL (Sc/Arts/Comm)
FOUNDATION COURSE X,xi & XII
3rd Batch FROM 9th,13th,16th june
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR VI TO IX
2nd Batch FROM 9th,13th,16th june
SPECIAL CBSE VACCATION COURSE
PRINTED STUDY MATERIALS ** SUNDAY MOCK TEST SERIES
SPECIAL CONCESSION for Govt. school & 85% & Above
CENTRAL BOARD (CBSE) Sc/Arts/Com
CBSE X EXAM S. SNEHA 95.5%
CBSE FOUNDATION COURS X,xi &XII
MANY MORE
3rd Batch FROM 9th,13th,16th june
CBSE FOUNDATION COURSE FOR VI TO IX
2nd Batch FROM 9th,13th,16th june
Hurry ! Hurry !! Limited Seat
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS
Batches for Kwakeithel (VAN SERVICES)
4 to 7.20 pm 4.15- 7.40pm (class ix to xii
2 pm to 4 pm (class vi to viii)
BATCHES FOR NAGAMAPAL (VAN SERVICES)
4.30-6.30AM(FOR COMM & ARTS)
3.40- 7.00PM (COMM &ARTS) &
4.30 TO7.20 (VI TO VIII) 4.30 TO 7.50 (XI/XII SC.)
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advancecoachinginstitute
For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7691/15-29